**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20.04.2024)**

**পোল (এল)ঃ** মনিপুরদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগীদমক মীরেপশিং অমদি রাজনিতি দলশিংনা অকনবা মওংদা ভোট খোমরি। তাঙ্কক অসিদা আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়্যেন্সিগী মনুং চনবা রাজ্য অসিগী জিলা ৮ দা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোট থাদনগনি।

মসিগা লোয়ননা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯ সু হাংদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ভোটরশিং ভোট থাদনবা থৌরাংসু লৌখৎলি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা য়াওরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ অসিগী অপুনবা ভোট্টর মশিংনা লাখ ৪ লিশিং ৮৪,৩৮৮ নি। মনিপুরগী আউটর লোক সভা সিট অসিদা এন.পি.এফ, কংগ্রেস অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি পুন্না মীরেপ মরিনা মীখল থেংনরি।

ঙসি মীখল অসিগা মরী লৈননা এন.পি.এফকী মীরেপ-কে. তিমোথি জিমিক্কী মীখলগী কেম্পেইন সেনাপতি জিলাগী মরাম বজারদা পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদুদা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরিবা নেসনেলিষ্ট দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিপ পার্টি (এন.দি.দি.পি) গী লুচিংবা-নৈফিয়ু রিও অমসুং রাজ্য অদুগী উপ মুখ্য মন্ত্রি অমসুং এন.দি.দি.পিগী লুচিংবা টি.আর. জেলিয়াং অনিনা এন.পি.এফকী মীরেপ অসিগীদমক ভোট খোমখি।

অমরোমদা, মনিপুরগী আউটর লোক সভা সিট অসিগীদমক উখ্রুল জিলাদগী মীরেপ অনি-কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কানঙম আরথর অমসুং এন.পি.এফকী-কে. তিমোথি জিমিক অনিগী অকনবা কেম্পেইন জিলা অসিদা উবা ফংলে হায়রি। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়-মীরেপ অনিনা মখোয়বু শৌগৎপা মীওইশিংগা লোয়ননা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসিসু চৎতুনা ভোট খোম্বগী থবক কন্না চথুরি। ঙসিসু এন.পি.এফকা চৎমীন্নরিবা এন.দি.এনা শিনদুনা কে. তিমোথি জিমিক্কীদমক

উখ্রুল হেদক্বাটরস গ্রাউন্দদা মীখলগী কেম্পেইন পাঙথোকখি।

**রিপোল (এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ঙরাং অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎপীনবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-মনিপুরগী মায়কৈদগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা হায়জখ্রে।

ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার ওইরিবা- টি.ঐচ. কিরনকুমারনা ঙরাং ভোট থাদনখিবা অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী মতাংদা অইবা চেরোল অমদা রাজ্যগী সি.ই.ও. ওফিসতা পীশিনখি। মসিগা লোয়ননা হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীনবা তকশিনখি।

রিটর্নিং ওফিসারগী চেরোল অদুদা-মোইরাংকম্পু সজেব, অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা হাংবা পোল্লিং ষ্টেসন অমসুং খোঙমান জোন ফাইব (এ) দা হাংবা পোল্লিং ষ্টেসনদা রাইওট থোকখি। অদুগা ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ইর্ষ্টন ৱিং, মিদল ৱিং অমসুং স্কুল অসিগী ৱের্ষ্টন ৱিংদা হাংবা পোল্লিং ষ্টেসনদা মীয়াম হৌরক্তুনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংবু ওভর পৱার তৌদুনা ই.ভি.এম. অমাং অতা থোকহনখি হায়রি। অমরোমদা, খাইদেম মখাদা হাংবা পোল্লিং ষ্টেসনদসু মশক খঙদবা মীওই খরা নমদুনা চংল্লক্লগা চাউরাকা ভোট ৬১ রোম নিয়মগী ৱাংমদা নমদুনা ভোট থাদবদগী মীয়াম হৌরক্তুনা হিংশা য়াওবা থৌদোকশিং থোকখি হায়রি।

রিটর্নিং ওফিসারগী চেরোল অদু কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার ওফিসকী জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-রামানন্দা নোংমৈকাপ্পমনা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক অসিদা নৌনা ভোট থাদহন্নবা ই.সি.আইদা চেরোল অদু থাখিবনি। অদুম্মকপু, হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদা অমুক হন্না ভোট থাগনি নৎত্রগা থাদরোই হাবয়গী ৱারেপ ই.সি.আইনা

লেপ্পগনি।

**কামজোং (এল)ঃ** লোক সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ফুংয়ার সেদ্যুল ত্রাইব বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিংনা ইলেক্সন কম্মিসননা পীবা ইপিক কার্ড পুবীরক্কদবনি। মসি লৈতবা ভোটরশিংনা অধার কার্ড, পান কার্ড, দ্রাইভিং লাইসেন্স, বেঙ্ক অমদি পোষ্ট ওফিসকী পাসবুকনচিংবা শক্তাক চে অমা পুবীরক্লগা ভোট থাদবা য়াগনি। মসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-কামজোংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-জিরিবামনসু শিনদুনা জিরিবাম বিধান সভা কেন্দ্রগী সেগমেন্ট ৪০ গী ওইনা ঙসি জিরি ময়োলদা বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

সিষ্টেমেটিক এদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন স্বিপ কেম্পেইনগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা মীওই ৪০ রোমা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-কৃষ্ণকুমারনা হায়-রেল্লি অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, অহনাবা ওইনা ভোট থাদগদবা ভোটরশিং, নুপী অমদি চহি ৮৫ হেল্লবা ভোটরশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকপনি। জিলা অসিদা লৈরিবা ভোটরশিংনা অকি-তুজংবা য়াওদনা মশা মশানা পান্না মীরেপতা শোয়দনা ভোট থাদবা থোরকবসু শ্রী কৃষ্ণকুমারনা আপিল তৌরি।

তেংনৌপল জিলাগী ওইনসু অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসি শান্তি ওইনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎলি। ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা সভাপতি ওইদুনা জিলা অসিগী এস.ও. অমসুং এস.পি.ওশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা জিলা অসিগী ওইনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ত্রেন্নিং

ঙসি লোয়শিনখ্রে।

উখ্রুল জিলাগী ওইনসু অরোইবা তাঙ্কক্কী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি উখ্রুল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা লোয়শিনখ্রে।

**পোল্লিং (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা মথৌ তৌগদবা তমেংলোং জিলাগী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ত্রেন্নিং ঙসি লোয়শিনখ্রে।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, বেদমিন্টন হোল অমসুং দি.সি. বঙ্গলোগী হোলদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখি। থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদনগদৌরিবা মীখল অসিদা জিলা অসিগী তামৈ অমসুং তমেংলোং বিধান সভা কেন্দ্রশিং য়াওরি। বিধান সভা কেন্দ্র অনি অসিদা পুন্না ভোট্টর লিশিং ৭৫,৫৯৭ না পোল্লিং ষ্টেসন ১৫৭ তা ভোট থাদনগনি।

**সরদা (এল)ঃ** বি.জে.পি. মনিপুর প্রদ্রেসনা হায়রি-ঙরাং লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনখিবা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি।

ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদ্রেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবীনা হায়-থৌদোকশিং অদুদা অশোক অপন নংখিবশিংগীদমক বি.জে.পিনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতে অমসুং অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

মহাকা হায়-ঙরাং ভোট থাদনখিবা অদুদা অপুনবা ভোট্টর লাখ ৯ লিশিং ৮৯,৮৮৭ কী মনুংদা ভোট্টর লাখ ৭ লিশিং ১৫,৮৮৬ না ভোট থাদখিবা অদুগীদমক দলগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। অসুমা মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা থোরক্তুনা গনতন্ত্রগী ফেষ্টিবেলনি হায়নরিবা মীখলদা ভোট থাদদুনা শরুক য়াখিবা অসিনা মীখল অসি মীয়ামগী ওইনা চাউনা মায় পাকপা মীখল অমনি।

মহাকা হায়-ঙরাংগী থৌদোক্তা দল অসিগী ৱাকর খরা ফাজিনখিবগী

মতাংদা বি.জে.পিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎ অমা থাংগৎখ্রে।

**ময়োল (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী ঙরাং অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবদা মফম খরদা অরানবা থৌওংশিং চৎখিবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি হায়না মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না হায়রি।

অফবা অচুম্বা মীখল পুরকবগী পান্দমদা লিশাং শিংনা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম পাঙথোরক্লিবা লুপ অসিনা, ঙরাংগী অরানবা থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা মীয়ামনা হৌরকখিবা অদুবুসু ময়োলনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**ডে (এল)ঃ** রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিরেক্তোরেটনা শিনদুনা ৱার্ল্ড আর্থ ডেগী থৌরম লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগীদমক থন্লিবা হীরমনা ‘আর্থ এন্দ প্লাষ্টিক্স’ হায়বসিনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তন্ফমশঙশিংদা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্কশিং য়েন্থোক্কনি হায়রি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** ইম্ফালগী হাউবম মরক ঙাঙোম লৈকাইদা লৈবা পার্ফোমিং আর্টসকী সেন্টর অমসু ওইরিবা সনচালিনা শিনদুনা চানচাত পুতগী মতাংদা থা অমা চুপা চথুরকপা ৱার্কশোপ কপ প্রদক্সন ঙসি জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা পার্ফোমিং আর্টসকী লমদা শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলনা শিনদুনা চয়োল মরিগী ওইবা অগাবিরগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী ভিলেজ বেঙ্কতা চথখ্রে। মদুদা ভারত লান্মীদা অগাবির ওইনা থবক চংনিংবা নহা ৭৬ না শরুক য়াখি। ত্রেন্নিংগী শরুক অমা

ওইনা মখোয়দা রেজিষ্ট্রেসন করমা তৌগনি অমদি রির্টন অমসুং ফিজিকেল করমা মায়োকগনি হায়বগী মতাংদা তাকপী তন্বীখি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী জো খুনৌ ভিলেজতা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ওর্গানিক ফার্মিংগী মতাংদা লৌমীশিংগী ওইবা লেকচর অমা পাঙথোকখি। ঙরাং চখিবা লেকচর প্রোগ্রাম অদুদা লৌমী ২৮ দা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা মতৌ করমা লোউ শিংউ তৌগনি হায়বগী পথাপশিং তাকপী তন্বীখি।

রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফনা থমনবা অসাম রাইফলসনা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম লেপ্পা লৈতনা চথরি। ঙরাং কামজোং জিলাগী কামজোং হেদক্বাটরসতা লৈবা মফম অমদা অসাম রাইফলসকী কম্পানি কম্মান্দরশিংনা খাঙপৎ খুল্লেন ভিলেজগী খুঞ্জাশিং অমদি মহৈরোইশিংগা ৱারি-ৱাতাই শান্নদুনা অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সা থমবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং পীনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

**মহাবির (এল)ঃ** মহাবির জয়েন্তিনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াই পাউজেল পীরক্লি।

এম.এল.এ. রাজকুমার ইমোনা পীবা পাউজেল অমদা হায়-কুন্ধে অসিনা শান্তি, চাউখৎপা অমদি অমত্তা ওইবগী শক্তম পুরকপা ওইরসনু। ভগবান মহাবিরগী ৱাখল্লোনশিং অহিংশা অমসুং পুন্না হিংমিন্নবগী লন্বীদা ঐখোয় পুন্না চৎমীন্নদুনা নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়রি।

**সিআরপিএফ(এল)ঃ** ইং ২০০০ গী এপ্রিল ২০ দা জম্মু কাশ্মিরদা পাকিস্তানলোমদগী চংশিল্লকপা টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা থৌবাল জিলাগী লমদিং এলাংবম লৈকাইদগী সহিদ লেঞ্চ নায়ক-ই. রঞ্জিৎ সিংহগী ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফকী মনিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী আই.জি. আখিলেস প্রসাদ সিংহ য়াওনা মকোক থোংবা

সি.আর.পি.এফকী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনেগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসনা শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী লোংসাই চিংকাউ ভিলেজ, লোংসাই থানাজাং ভিলেজ, লোংসাই তুবুং ভিলেজ অমসুং লোংসাই পিংজাং ভিলেজতা পাক শন্না রেভিসকী ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

মদুদা পুন্না হুই অমসুং হৌদোং ১৬০ হেন্না ভেক্সিন কাপথোকখি হায়রি।

**পিএমঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা এন.দি.এ. সরকারনা সব কা সাদ, সব কা বিকাশ হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা লৈবাক অসিদা হীরম খুদিংদা চাউখৎপা পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখি।

মহারাস্ত্রগী পরবানিদা ঙসি পাঙথোকপা মায়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা লৈঙাক পায়রকপদগী লৈবাক অসিগী য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদগী চংশিল্লকপা টেরোরিষ্টশিংবু মায়থিবা পীখি অমদি লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লমদা মাংজিল থাহনখি।

প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামদা মখা তানা সরকার অসিনা লাইরবা কোকহন্দুনা মীপুম খুদিংদা চপ মান্নবা মওংদা চান-থকবা চেং-হৱাই ফংহনগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোংদোকখি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অসিনা হায়-এন.দি.এ. সরকারনা মখা তানা অহুমলকশুবা ওইনা লৈঙাক পায়রকপা তারবদি হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খুদিংমক মপুং ফানা লোয়শিনদুনা মীয়ামদা শিন্নগনি। মহারাস্ত্রাদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারনা পরবানিদা জন্ন ঔসাদি সেন্টর ১৭ হাংদোক্তুনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা হিদাক লাংথকশিং ফংহল্লি। মসিগা লোয়ননা উজৱালা য়োজানগী মখাদা নুপী লাখ অমরোমদা চাক থোংনবা গ্যাস ফংহনখ্রে।